
# প্রেমিয়ার বেদমিন্টন লীগতা মুম্বাই রোকেটসনা অৱাধে ৱারিয়রসপু নমহৎখ্রে





মুম্বাই, জানুৱারি ০৩ ঃ

যূম্বু মুম্বাই রোকেটসনা মখোয়গী প্রেমীয়ার বেদমিন্টন লীগ (পি বি এল) কেম্পেনগী অহৌবা নুমিৎতা অৱাধে ৱারিয়রসপু মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্লা খোঙ থাংজিনখ্রে।

মফম অসিগী নেসনেল স্পোর্টস ক্লব ওফ ইন্দিয়া (এন এস সি আই) দা ঙরাং শান্নখিবা মেচতা মুম্বাইনা অৱাধেবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি। মেন'স শিঙ্গলস মেচতা মুম্বাইগী গুরুদত্তনা সাই প্রনীথপু ১৪-১৫, ১৫-১০, ১৫-৮ দা থোইখি। সেট অমা দাউন ওইখ্রবসু দত্তনা অনীশুবা অমদি ফাইনেল সেটতা নমহৎতুনা চৎখিবনা মেচ অদু য়াম্না লায়না মায় পাকখি।

ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ৪৭ তা লৈরিবা গুরুনা অহানবা গেমদা ৮-১৩ দা দাউন ওইনা লৈরম্লদগী অথুবদা পোইন্ট ১৪ লৌবা ঙমদুনা মায় পাক্লবা খোঙফম শেন্বা ঙমখি।

গুরুদত্তনা হায়খি, মসি য়াম্না টফ ওইবা গেমনি অমদি মহাক্না অহানবা সেট অদু মায় পাকখি। তৌইগুম্লসুং ঐনা খঙনা মেচ অদু নিংথিনা শান্নদুনা ঐগী টিমগীদমক গেম অদু থোইবা ঙমখি। মসিগী মায় পাকপা অসিনা মথংগী গেম মরিগীদমক ঐখোয়দা মতেং ওইরে হায়খি।

মেন'স দবলস মেচতা মাথিয়া বো অমদি ভলাদিমির ইভানোভনা কাই য়ুন অমদি হেন্দ্রা গুনাৱানবু ষ্ট্রেট সেটতা ১৫-১১, ১৫-১১ দা মায়থীবা পীখি। মসিগী মায়থীবা অসিনা অৱাধেনা পোইন্ট অমা মাঙজখি। মুম্বাইনা থংনা থংননা অনীরক মায় পাকখিবনা ২-০ দা টাইদা মাঙজিল থাখি। মুম্বাইনা মখোয়গী অহুমশুবা মেচ মায় পাকখি। ৱিমেন'স সিঙ্গলসতা বুথভিকা গাদ্দেনা জি ভরুশালিবু ১৫-১৩, ১৫-১ দা মায়থীবা পীদুনা যূম্বুনা ৩-০ দা লৈখি।

মসি য়াম্না লায়বা মেচ অমা ওইখিদে। মহাক্না টফ ওইনা শান্নরকখ্রবসু ঐনা ঐগী পোইন্টশিং লৌবা ঙমখি। ঐখোয়না গেম অহুম মায় পাকপা অসিদা নুঙাইবা পোকই হায়না রুথিভিকানা মেচ লোইরবা মতুংদা হায়খি।

ৱারিয়রগী ৱর্ল্ড নম্বর ৩৩ ওইরিবা অমদি থাইলেন্দগী টানোংসক সানসোমবু নসুকানা রোকেটস'কী ৱর্ল্ড নম্বর ২০ ঐচ এস প্রন্নোয়বু ১৫-১২, ১৪-১৫, ১৫-১৪ দা মায়থীবা পীখি।

মিক্স দবলস মেচতা অৱাধে ৱারিয়রসকী বোদিন ইশারা অমদি খৃষ্টিন্না পেদেরসেননা মুম্বাইগী কাথিল্লা জুহল অমদি ভলাদিমির ইভানোভপু ১৫-৯, ১৪-১৫, ১৫-১৪ দা মায়থীবা পীখি।

# সোমদেভ, সাকেথনা চেন্নাই ওপন ক্বালিফাইয়িং ইভেন্টতা খুমাঙ চাউশিনখ্রে



চেন্নাই, জানুৱারি ০৩ ঃ

সোমদেভ দেভবর্মন অমসুং সাকেথ মায়নেনিনা ঙরাং শান্নখিবা এ টি পি চেন্নাই ওপন ক্বালিফাইয়িং ইভেন্টতা মখোয়গী ওপোনেন্টশিং য়াম্না লায়না মায়থীবা পীদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখ্রে।

তরুকশুবা সীদ সোমদেভনা এন ভিজয় সুন্দর প্রশান্থপু য়াম্না লায়না ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি অদুগা মঙাশুবা সীদ মায়নেনিনা সনাম সিংহবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। এন শ্রীরাম বালাজিনা তরেৎশুবা সীদ হান্স দোদলিপনিক কাষ্টিল্লোবু ৬-২, ৬-৪ দা থোইদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি।

অদুম ওইনমক জীভন নেদুনচেজয়ান অমদি প্রাজনেশ গুনেশ্বরন অনীগী কেম্পেন অদু ফাষ্ট রাউন্দদা লোইশিনখি। নেদুনচেজয়ানা সেকেন্দ সীদ ব্রিটোন জেমস ৱার্দকী মখূৎতা ৪-৬, ৩-৬ তা মায়থীহৌখি অমসুং প্রাজনেশনা নিপানশুবা সীদ জোজেফ কোভালিক্কী মখূৎতা ৩-৬, ০-৬ তা মায়থীখি।

চৈরক অসিদা রেঙ্ক ২৬২ শুবদা লৈবদা নত্তনা ৱাইল্ড কার্দ ইন্টরেন্ট রামকুমার রামানন্থননা মেইন দ্রোদা তাদুনা রেঙ্ক ৯৮ দা লৈরিবা স্পানিয়ার্দ দানিএল গিমোনো ট্রাভরগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। মসিগী লেভেল অসিগী মেচ খুদিংমক টফ ওইগনি অদুবু ঐনা ঐগী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স অদু উৎতুনা লোকেল ফেনশিংগী পেন্নবা তৌগনি হায়না রামকুমারনা হায়খি।

ঐনা হৌখিবা চহীদা য়াল্লবা চেল্লেঞ্জর ইভেন্টশিং শান্নখি অমদি ঐনা চেন্নাই ওপনগীদমক খোঙ থাংজিল্লকখি। ঐনা সিজন অসিগী অরোইবদা চাউরাক্না ১২০ শুবফাওবগী মনুং চনবা রেঙ্কিংদা লৈবা ঙমগনি হায়না আশা তৌরি অমদি করিগুম্বা ঐনা টোপ ১০০ গী মনুং চনবা ঙম্লবদি মসি বোনস ওইগনি হায়না মহাক্না হায়খি। টোপ সীদ অমদি দবল দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ষ্টানিসলাস ৱারিঙ্কা অমদি সেকেন্দ সীদ কেভিন এন্দরসনগা লোয়ননা অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখি।

# নেসনেল স্কুল গেমস চহী খুদিংগী মফম মরি মঙাদা পাঙথোক্কনি ঃ য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট

ন্যু দেল্লি, জানুৱারি ০৩ ঃ

মখল মখাগী গেমশিংবু স্কুল লেভেলদা মশক থোক্না চাউখৎহন্নবা অমদি অঙাংশিংবু ঙন্না মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা খঙদোক্লবা অমসুং হকচাংগী ফীভম ফনা থম্নবা পান্দমদা নেসনেল স্কুল গেমসশিং চহী খুদিংগী মফম মরি-মঙাদা পাঙথোক্কনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমদা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা পাক চাউবা মওংদা লৈবাক অসিগী মফম মরি-মঙাদা চহী খুদিংগী নৌরিবা অঙাংশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অদু খঙদোক্নবগীদমক নেসনেল স্কুল গেমস শিন্দুনা পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে।



চহী খুদিংগী মফম মরি-মঙাদা পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরিবা নেসনেল স্কুল গেমস অসি দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টসনা স্কুল গেমস ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়া (এস জি এফ আই) গা পূন্না খূৎশম্নরগা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চানা লৈবা ষ্টেট গর্ভর্ণমেন্টশিং খনগৎলগা শিনমিন্নগনি।

মিনিষ্ট্রিনা হায়, প্রোপোজ তৌরিবা নেসনেল স্কুল গেমসতা লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তগী য়াম্লবা অঙাংশিংনা শরুক য়াগদৌরিবা অসি স্পোর্টসপু চাউখৎহন্নবা পান্দম খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী অপূনবা অমদি নুংশি চান্নবা লৈন্নবসুনি।

গেমস অসিগী অহৌবা ওইনা চৎলিবা থা অসিদা কেরলাদা গেমস অসি পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

গেমস অসিগীদমক গর্ভর্ণমেন্ট ওফ কেরলানা যূম্বু ওইজগে হায়না হায়জরকপা ৱারোল ফংলে অমদি মসিদা অয়াবসু পীরে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# নেসনেল লেভেল রুরেল স্পোর্টস কম্পিটিশন্দা শরুক য়াগদবা নুপা নুপীগী বোক্সরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৩ ঃ

চৎলিবা থা অসিগী ১৬ তগী ১৯ ফাওবা টামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল লেভেল রুরেল স্পোর্টস কম্পিটিশন গ্রুপ ফাইভ (বোক্সিং) তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা নুপা বোক্সর ১২ অমসুং নুপী বোক্সর ৯ খনখ্রে।

রজিব গান্ধি খেল অভিয়ান (আর জি কে এ) স্কিমগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল লেভেল রুরেল স্পোর্টস কম্পিটিশনগী বোক্সিং মশান্নদা মণিপুরগী মহুৎ শিনগদৌরিবা নুপামচা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা থৌবালদগী এল জোলেট, কেজি ৪৮ কী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী এম দয়ানন্দা, কেজি ৫০ গী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী অলেক্স নুমাই, কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা চুড়াচান্দপুরদগী এল শান্তিকুমার, কেজি ৫৪ গী কাঙলুপ্তা বিষ্ণুপুরদগী মাইসন মোইরাংথেম, কেজি ৫৭ গী কাঙলুপ্তা থৌবালদগী ৱাই প্রেমচান্দ, কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী কে ঐচ সনামচা, কেজি ৬৩ গী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ইষ্টতগী রোসন তোংব্রম, কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা বিষ্ণুপুরদগী এল দোনোয়, কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা চান্দেলদগী এ দেবজিৎ, কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা চান্দেলদগী কে এস ঐচ নেলসন অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী কে দেবদত্তনা কেজি ৮০ মথক্কী কাঙলুপ্তা শরুক য়াগনি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা বোক্সর ৯ অদুদি কেজি ৪৬ কী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ইষ্টতগী কে ঐচ রেদিয়া, কেজি ৪৮ কী কাঙলুপ্তা থৌবালদগী এন বেবি রোজিস্না, কেজি ৫০ গী কাঙলুপ্তা চুড়াচান্দপুরদগী ঐচ বোইচোং, কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ইষ্টতগী এল দোলি, কেজি ৫৪ গী কাঙলুপ্তা বিষ্ণুপুরদগী ঐচ আশালতা, কেজি ৫৭ গী কাঙলুপ্তা চুড়াচান্দপুরদগী কে ঐচ ননাও, কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা চুড়াচান্দপুরদগী সোনিয়া বোমজান, কেজি ৬৩ গী কাঙলুপ্তা চুড়াচান্দপুরদগী দেবিকা রানি অমসুং উখ্রুলদগী কেজি ৬৬ কী কাঙলুপ্তা এস হেময়োফি ফিরিমনা শরুক য়াগনি। লোয়ননা নুপাগী বোক্সিং কোচনা চুড়াচান্দপুরদগী পি ই টি টি, ঐচ অমিত্র গোপাল অমসুং নুপীগী বোক্সিং কোচনা নেসনেল বোক্সিং একাদেমিদগী টি ঐচ জিতেন্দ্রনি।

## শাফবশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৩ ঃ ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফেয়র এসোসিএশন্না শিন্দুনা হৌখিবা দিসেম্বর ১৬ তা পাঙথোকখিবা মরিশুবা ওল মণিপুর খন্বা বোদি বিল্ডরস কম্পিটিশন ২০১৫ দা পোজিশন লৌরকখ্রবা সঙাই জিম খাগেম্পল্লিগী শাফবশিংবু হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা জিম অসিগী কোচ নাওরেম রঞ্জিৎকী লিচিং মখাদা দিসেম্বর ২৭ কী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা পাঙথোকখ্রে।

হরাও তরাম্না ওকখ্রবা শাফবশিং অদুদি কে ঐচ দিনেশ্বর, এন রাখেস, মুতুম অমর অমসুং আই জয়ানন্দনি। থৌরম অদুদা জিম অসিগী কোচ রঞ্জিৎনা শাফবশিং অদুবু তুংগী আশা চাউনা লৈরিবা ঙাক্তনি হায়না পূক্নিং থৌগৎখি হায়রি।

# নেসনেল চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী লিফ্টরশিংনা মেদল মঙা লৌরক্লে

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৩ ঃ

ছটিশগরগী দলি রাজহরাদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৩ দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা ২৩ শুবা নেসনেল ষ্ট্রেং লিফটিং এন্দ ইনক্লাইন বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৫-১৬ তা মণিপুরগী নুপী লিফ্টরশিংনা পূন্না মেদল মঙা লৌরক্তুনা চাউনা মায় পাক্লক্লে।

নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী নুপী লিফ্টরশিংনা গোল মেদল অমা, শিলভর মেদল ২, ব্রোঞ্জ মেদল ২ পূন্না মেদল ৫ লৌরকখিবনি।

গোল্ড মেদল অদু এস অনিতানা মাষ্টরগী কেজি ৫৮ গী কাঙলুপ্তা লৌরকখি। মহাক্না পূন্না কেজি ২৭৫ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌরকখিবনি। সব জুনিয়রগী কাঙলুপ্তা এ গুনিতা দেবীনা পূন্না কেজি ২৪৭ থাঙ্গৎতুনা শিলভর মেদল লৌরকখি। কে মনালৈমনা সব জুনিয়র কেজি ৬৫ কী কাঙলুপ্তা পূন্না কেজি ৩১২ থাঙ্গৎতুনা শিলভর মেদল লৌরকখি। লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অসিমক্তদা কে মনালৈমনা জুনিয়রগী কেজি ৬৫ কী কাঙলুপ্তসু ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি। এন রানিনা সব জুনিয়রগী কেজি ৫৮ কী কাঙলুপ্তা পূন্না কেজি ২৬০ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা এস অনিতা দেবীবু চীফ রেফ্রি ওইনা খল্লকখি হায়না মণিপুর ষ্ট্রেং লিফটিং এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ নিংথেম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ছেত্রি, জেজে অনীগী গোলনা ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানবু মায়থীবা পীদুনা তরেৎলক শুবা ওইনা সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেশন কপকী টাইটল লৌখ্রে

টিরুভনন্থপুরম, জানুৱারি ০৩ ঃ

ইন্দিয়ানা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা ফাইনেলদা স্কিপর সুনিল ছেত্রিনা মেচকী এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা গোলনা অফঘানিষ্টানবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা সাফ চেম্পিয়নশিপকী তরেৎলক শুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

মফম অসিগী ত্রিবান্দম ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা ঙসি ইন্দিয়া অমদি অফঘানিষ্টান অনীনা সাফ চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌনবগী-দমক অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি।

টিম অনীগী হেনজিন্নবা য়াদ্রবা এটেক্তা অথুবা গোল চন্নবা হোৎনরবসু থোইদোক্না কান্নবা ফংখিদে। ইন্দিয়ানা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অফঘানিষ্টানগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা চঙশিনখিবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা খরা ফংখ্রবসু অফঘানিষ্টানগী দিফেন্সতা হেক হেক অপনবা থেংনখি।

অফঘানিষ্টানসু অমুক হন্না টাইটল লৌননবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌবা লেপখিদে। ইন্দিয়াগী ৱালগুম্না লৈখ্রবা দিফেন্সতা অফঘানিষ্টান্না পাক হেক হায়জিনবা ঙমখিদে। অদুমকপু গোল চন্দবা য়াদে হায়বগী আশাদা হনবা লৈতনা অকনবা শাফুশিং ওপোনেন্টকী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা পীখি।

ইন্দিয়াসু সুনিল ছেত্রিগী মখাদা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা মায় পাক্তবা য়াদে হায়না চঙশিনখিবা এটেকশিংদা হাথু হাথু গোল চনবা ঙমখিদে। মেচ অসিগী ফর্ষ্ট হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না ফর্ষ্ট হাফতা লৈখিবা টেম্পো অদু হনবা লৈতনা মাগী মাগী মায়োক্নখিবা মায়কৈদা গোল স্কোর তৌনবগীদমক তকশিন্নরকখি।

অফঘানিষ্টান্না ইন্দিয়াগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৭০ চৎপা মতমদা জুবায়র অমিরিনা গোল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অফঘানিষ্টান্না গোল চনখিবা মিনিট অনীগী মনুংদা ইন্দিয়ানা তৌখিবা অকনবা শাফুগী এটেক অমদা জেজে লালপেখলুআনা মিনিট ৭২ চৎপা মতমদা গোল অমা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।



টিম অনীমক্না গোল মান্ননা লৈখিবদগী মায় পাক্লনবগীদমক অহেনবা গোল চন্নবা অঙল্বা থৌনা পুথোক্লদুনা এটেকশিং মায়োক্লবা সাইদশিংদা তৌনরকখি। অদুবু মেচকী অপীবা মতম মিনিট ৯০ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

মেচকী এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকখিবদা ইন্দিয়াগী স্কিপর সুনিল ছেত্রিনা মিনিট ১১ চৎপা মতমদা মশক থোক্না শান্নদুনা ভিজিটরগী দিফেন্সকী অশোনবা তাঞ্জা লৌরগা গোল অমা চনশিন্দুনা মেচ অদু মায় পাক্তুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৭লক শুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

# সাইনা নেহৱাল মখোঙ শোকপদগী প্রেমীয়ার বেদমিন্টন লীগতা শরুক য়াবা ঙমখিদ্রে



মুম্বাই, জানুৱারি ০৩ ঃ

ইন্দিয়াগী ষ্টার শটলর সাইনা নেহৱালনা মফম অসিগী সর্দার পটেল এন এস সি আই ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা প্রেমীয়র বেদমিন্টন লীগ (পি বি এল) কী ওপনরদা অৱাধে ৱারিয়রস অমদি মুম্বাই রোকেটস অনীগী মরক্তা শান্নগদবা অদু মখোঙদা অনাবা লৈবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী শান্নদনা মপান থোকখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর টু অমদি অৱাধে ৱারিয়রসতা যু এস দি ১০০,০০০ ফংদুনা শান্নরিবা সাইনানা হায়, মহাক্কী খোঙদা শোকপনা মরম ওইদুনা শান্নবা য়াওদবনি। চহী অসিগী ওগষ্টতা ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্কদবনা মসিগীদমক খোঙগী অশোকপা ফীভম অসিবু লুম্না লৌদবা য়াদে হায়খি।

হৌখিবা চয়োল খরদগী ঐগী খোঙ অসি নারকখিবনি। মসি খরা শাথিরে অমদি ঐনা মসি ফগৎনবা হোৎনরি হায়না সাইনানা হায়খি।

ওলেম্পিক্কী চহীসু ওইবনা ঐনা সেফ ওইবা মওংদা শান্নবা পাম্মী। হৌখিবা চয়োল খরগী মতুংদা মসি ঐগী অহানবা প্রেক্টিশ সেসননি। ঐখোয়গী মেচ মঙা শান্ননবা লৈরি অমদি ঐনা অথুবদা ফগৎলক্তুনা শান্নবা ঙমগনি হায়না থাজবা থম্লি।

সাইনানা সিজন অসিগী অরোইবা ওইনা হৌখিবা দিসেম্বরদা দুবাই সুপর সেরিজ শান্নখি অদুবু গেম অহুমগী মনুংদা গেম অনী মায়থীদুনা গ্রুপ ষ্টেজ লানবা ঙমখিদে। মহাক্না মখোঙ শোকপদগী হোং কোং ওপনদা শান্নখিদবা অদুগী মমাঙ নবেম্বর থাদা চিনা ওপনগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ৱিমেন'স সিঙ্গলসতা সাইনাগী মহুৎতা মশাগী চহী ১৭ শুরবী টেলাঙ্গানাগী জি ভরুশালিনা শান্নরগনি। ভরুশালিনা নেসনেল চেম্পিয়ন রুটভিকা গাদ্দেগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

# শ্রীলঙ্কা ক্রিকেটকী অনৌবা প্রসিদেন্ট খনখ্রে



কলম্বো, জানুৱারি ০৩ ঃ

রনাটুঙ্গাগী মনাওনুপাশিং অর্জুনা অমদি নিশান্থাবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীরক্লগা থিলাঙ্গা সুমাথিপালবু শ্রীলঙ্কা ক্রিকেট (এস এল সি) গী প্রসিদেন্ট ওইনা নোংমাইজিং নুমিৎতা খনখ্রে।

হৌজিক পার্লিয়ামেন্টগী দিপ্যুটি স্পিকর ওইরিবা সুমাথিপালানা মহাক্কী মরু ওইবা চেল্লেঞ্জর নিশান্থা রনাটুঙ্গাদগী ভোট মশীং ৩২ হেন্দুনা অপূনবা ভোট ৮৮ ফংখি। অদুগা নিশান্থা রনাটুঙ্গানা ভোট মশীং ৫৬ ফংখি। শ্রীলঙ্কা ক্রিকেট (এস এল সি) গী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল অদু স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা নোংমাইজিং নুমিৎতা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা পাঙথোকখি। মিনিষ্ট্রিগী প্রেমিজেসতা স্পেসল টাস্ক ফোর্সকী শোলজরশিংনা ঙাক শেন্দুনা থমখি।

নিশান্থাগী ময়াম্বা অর্জুনা রনাটুঙ্গা অসি হৌজিক পোর্টম এন্দ শিপ্পিংগী মিনিষ্টর ওইবদা নত্তনা লৈবাক অসিগী অমত্তা ঙাইরবা ৱর্ল্ড কপকী ৱিনিং কেপ্তেননি। মহাকসু ভাইস কেপ্তেনগীদমক বিদ তৌবদা মায়থীখি।

মহাকপু সুমাথিপালাগী টিম ওইরিবা এম মাথিভানন অমদি জয়ান্থা ধর্মাদাসা অনীনা মায়থীবা পীখি। সুমাথিপালানা এস এল সিগী অহুল্লকশুবা হেদ ওইনা হল্লকখিবনি। মহাক্কী হৌখিবা এদমিনিষ্ট্রেসন অনীমক গভর্ণমেন্টনা দিসমিস তৌদুনা ইন্টরিম কম্মিটি শেল্লগা এস এল সিবু চলাইহনখি।

নিশান্থা রনাটুঙ্গা হৌখিবা এদমিনিষ্ট্রেশন্দা সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরমখি অমদি হৌখিবা মার্চ থাদা দিজোল্ভ তৌদুনা ইন্টরিম কম্মিটনা মহুৎ শিনখি। থৌওং অসিদা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা শ্রীলঙ্কান গভর্ণমেন্টদা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা অথুবদা এস এল সিগী ইলেক্সন পাঙথোক্লবা প্রেসর তৌরিবনি।

হৌখিবা এদমিনিষ্ট্রেসনবু দিজোল্ভ তৌখ্রবা মতুং গভর্ণমেন্টনা প্রভ কম্মিটি হাপ্তুনা করপসন অমসুং মিসমেনেজমেন্টতা লৈরিবা এলিগেসনশিং য়েংশিনহনখ্রবনি।

# শক্লাইরবী ইন্দিয়ন ফুটবোল্লর বেমবেম ফুটবোল কেরিয়রদগী পোত্থারগনি লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, জানুৱারি ০৩ ঃ

শক্লাইরবী ইন্দিয়ন ফুটবোল্লর বেমবেম ওইনাম্না মহাক্কী শাংলবা চহী ২৫ গী ফুটবোল কেরিয়ারদগী পোত্থারগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।



মশাগী চহী ৩৫ শুরবী মিদফিল্ডর অসিনা হায়খি, ঐনা ঐগী লৈবাক্কীদমক চহী ২০ অমসুং ঐগী ষ্টেট মণিপুরগীদমক চহী ২৪ শান্নদুনা লাকখিবা অসি খ্বাইদগী লাইবক ফবা অমনি।

বেমবেম ওইনাম্না হৌখিবা কুমজা ২০০৩ দা লৈবাক অসিগী নেসনেল ৱিমেন'স টিমগী কেপ্তেন ওইখি অমদি ইন্দিয়াগী অহানবা মেজর টাইটল ওইনা কুমজা ২০১০ দা সাউথ এসিয়ন গেমসতা মহাক্না লুচিংদুনা শরুক য়াখিবদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

মণিপুরী ফুটবোল প্লেয়র অসিবু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ) না কুমজা ২০০১ অমসুং কুমজা ২০১৩ দা ৱিমেন'স ফুটবোল্লর ওফ দ ইয়র এৱার্দ পীদুনা ঈকাই খুম্নখি।

কুমজা ২০১৪ দা মহাক্না মালদিভসকী ন্যু রেদিএন্টদা জোইন তৌদুনা ফোরেন প্রোফেসনেল লীগতা শান্নবা অহানবা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল প্লেয়রসু ওইখি। মহাক্না টিম অদুগীদমক চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়াদুনা টাইটল লৌবদা মতেং পাঙখিবদা নত্তনা গোল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ঙম্বা প্লেয়রসু ওইখি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ) না শিনবা ২১ শুবা সেনিয়র ৱিমেন'স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপনা মহাক্কী অরোইবা টুর্নামেন্ট ওইরে।

বেমবেম ওইনাম্না ফুটবোলগী কেরিয়ারদগী পোত্থাবগী মতাংদা হায়খি, ঐনা ফুটবোলদগী পোত্থারে হায়না লাউথোক্লিবসি ওফিসল ওইরবনি। ঐনা ঐগী লৈবাক্কীদমক চহী ২০ অমসুং ঐগী ষ্টেটকীদমক চহী ২৪ শান্নদুনা খ্বাইদগী শিংথাবা কেরিয়ার অমা শেন্বা ঙমখিবা অসি ঐগী খ্বাইদগী লাইবক ফবনি। লাক্লিবা এ আই এফ এফকী ২১ শুবা সেনিয়র ৱিমেন'স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপনা ঐগী অরোইবা টুর্নামেন্ট ওইরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা ঐনা ষ্টেট টিমগীদমক শান্নগনি। ঐগী শান্নরিঙৈ মতম অদু কাউঙমদ্রবা অমদি নুঙাইরবা খোঙচৎ অমা ওইখি অমদি ঐনা শান্নরিঙৈ পুংজা খুদিংমক নুঙাইজবা হায়বদু ওইখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঐনা ঐগী ইমুং মনুং অমদি মরুপশিংনা মতেং পাংবিবা অমদি নুংশিবীবগীদমক থাগৎপা পাম্মী। মখোয়না ঐগী মশক থোক্লবা ফুটবোল কেরিয়ার অসি পীবিবগুম্বনি। ঐনা মখোয়গী থৌজাল য়াওদনা হৌজিক ঐগী ওইরিবা ফীভম অসি ওইথোকপা ঙম্লম্লোই। ঐনা নখোয় পুম্নমকপু নুংশি অমদি নখোয়বু থাগৎচরি।

ঐনা ঐগী টিমমেটশিং, কোচশিং অমদি মেনেজরশিংবু থম্মোয় শেংনা থাগৎলি। ফিল্দদা নখোয়গা পূন্না শরুক য়ামিন্নখিবা অদু কাউঙম্লরোইদবা অমনি। ঐনা যু পি সি, য়াৱা, সন, এম পি এস সি ক্লব অমসুং অন্ফা অমদি এ আই এফ এফনা চহী চুপ্পা সপ্পোর্ট পীবিবা অমদি থৌগৎপীবগীদমক থাগৎলি। ঐনা থম্মোয় শেংনা ফেনশিংবু থাগৎলি অমদি ঐগী মশক থোক্লবা খোঙচৎতা শরুক য়াবীখিবা মেদিয়াবুসু হায়নিংঙাই লৈতনা অপেনবা ফোঙদোকচরি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।